*“ইখুৎনা থাজৈ ইনশাংদো, ইখুৎনা তম্না*
*হেকচৈদো, নুংঙাইবনি ইনিংতম্বদো”*
*- হিজম অঙাংহল (‘ঐগী’ শৈরেংদগী)*

## খ্বাঙচেৎ মচি লাংখিবি ইমা ও

**—ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎ সিংহ**

খ্বাঙচেৎ মচি লাংখিবি ইমা ও
করম কাউগনি নুমিত্তো মালেমদা
হৌখিবা নুপীলাল অকনবা
খুরুমজরি নফমদা নচা ঐখোয়না।

থিংখিবনী পুথোকপা চানবা চেঙ
শীংনখি অরানবা কয়া কয়াবু
নিকহনখি ফিরঙ্গী সিফাইশিং
খঙহনখি থৌনা মীতৈ নুপীগী।

হনবা লৈত্র লালহৌ ইমাশিংগী
দিসেম্বর ১২ মীয়ামগী ঈহৌ
নীংশিংলি ঙসিসু নচা ঐখোয়না
কুমলন ওইনা লাকপা খুদিংদা।

অমুবা লৈচীল উবদা
পলেম ইমা লায়রবী
অৱা শক্লোন পুরিবী
তরং লাইজ ঈহৌই
কুমগী নোং চুরনি
লায়র খাঙপোক য়ুরনি।

## শৈরেংদি পুন্সিনি

**—এম নিলকুমারি দেবী**

পুন্সিগী শৈরেংদি
পুন্সিনা ইরমগনি।
শৈরেংনা শৈথারি পুন্সিবু
লৈতেং হাপ্লী নোক্লা-কপ্লা
মান্নদ্রবা মান্নহন্দ্রবা তেনবা শাং’
লৈশক মান্নদ্রবা লৈশিংগী
লৈনম মান্নদনা য়েনবনি।
অচুম্বা-ফজবা-নুংশিবা
নুংশিবা য়াওদ্রবদি মপূং ফাদে;
নুংঙাইবা ৱারীদি কাউদনবনি
নোকহনবা ঙম্বনা লৈতেংনি
লৈতেং য়াওদ্রবদি ‘নিসকুন্দালানি’
পীবিবনি শকউদবনা
হংলুরনু থিরুরনু অহিং নুংথিল খায়বনি।
চৎখ্রসনু মদোম লমশাংনি লম্বী অমগী
কায়নবসু-উনবসু মান্নবনি
পীরবসু লৌররোই-অপাম্বসু উৎলরোই
কাউঙমদবা ৱারীদুতনি লৈহৌরিবা
মথং মথংনি লোইনাইদ্রবা!
শৈরেংনা শৈথারি পুন্সিবু
শৈদিন্নবনি হরাউনা
শিবা হিংবা কাউহল্লি
পুন্সিনি শৈদিন্নফম শৈরেংগী
পুন্সিগী শৈরেংদি
পুন্সিনা ইরমগনি।

## থাবলগী মঙাল উরুবদগী

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

পুর্ণিমাদি পুর্ণিমানি
খেন্নরিবা পুন্সিদি
পোইনুগী পুর্ণিমা, ৱাকচীংগী পুর্ণিমা
ফাইরেনগী পুর্ণিমা
পূম্নমক্তগীদি লমদা থাগী পুর্ণিমা
পুর্ণিমা পূম্নমক্তগীদি হেনবা
শাবি শানৌশিংগী পুক্লিং হুনা
থম্মোয় মশক খঙনা থা।
লাঙখি, নোকখি, হরাউনখি
থম্মোয়বু মথুম মরাং হৌহনখি,
নোক্লা খেনা শান্নখি
করিনো কনানো খঙদনা।
লম্ফেল পাৎকী চীদাইদা
খুঙ্গংদুগী লম্পাক্তা
লৈকায় অদুগী কাংজৈবুংদা
মীয়াম তিন্নফম অদুদা
করিনো কনানো
খঙদবা মখৈ
নুমিদাং অথেংবা ফাওবা
মৈঙাল অদুদা।
পূক্লিং হুনা নীংথিরবী
মেরা থাগী পুর্ণিমা
লাক্লে লাক্লে মোমোন মোমোন নোক্লদুনা
অঙৌবা ফিজোলনা লৈতেংলদুনা
লুপা মচুগী দোলাই তোংলদুনা।
পুর্ণিমাদি পুর্ণিমানি
মেরা থাগী পুর্ণিমা
লুপা মহীগুম চেন্থরক্লিবা
থাবলগী ইপোমলক্তা
নুংশি কনাগী মপাও তমদুনা
লাক্কদৌবা তুংগী পুন্সিবু
মঙলান কয়া মঙলদুনা
লুপা মচুগী থাবল মঙাল অদুদা
নুংশি লমদম অসিরা খন্না
পাম্মু মপাও তাজবা
ফংলগদরা খন্না ঙাইজরকপা
থাবলগী মঙালনা লুপা মহীগুম চেন্থরক্লবদা
করম্না পুরদুনা চৎকনি থম্মোয় অসে।
থাবল অদুনা ঐসু মাসু ঙাওখি
অহিংদুনা করম হৌখিবা খঙহৌদে,
পুর্ণিমাদি পুর্ণিমানি
খেন্নরিবদি মেরা থাগী পুর্ণিমা,
লমতা থাগী পুর্ণিমা
পুর্ণিমাদি পুর্ণিমানি।

## চিংখায়নরবা ৱাখল

**—দিম্ভাজিৎ**

মোমোন নোকচৈ লৌমীনা
উরুবদা অমুবা লৈচীল
কুমগী নোং লাক্লনি
লৌমী শিন্থা পায়রনি
মহৈ মরোং চুম্লনি
অৱা অনা কোক্লনি।

## শোক প্রকাস

**—ডা: এল শশীকুমার**

ঙরাং খঙহৌদনা কাপথোকখিবা
মপূ নীংবা সিফাই অমদগী ঐগী
এ কে ৪৭ মরূ খরনা
লমদমসিগী শান্নরোয় অমবু
লমহুইনি খন্দুনা হাৎলুরে
শান্নরোয় ওইরম্লে
থম্মোয় শোক্লা তেংথাজরি
ইমুং মনুংগী অৱাবদা
লুপা ১০০ তেংবাংজরি
ইমুং মনুংগী অৱাবদসু
শরুক তঞ্জায় য়াজরি
থম্মোয় কায়না নুংঙাইজদে।

## হে থৱায় নঙ শাওখিনুকো

**—রাজেন্দ্র সারুংবা**

হিংনবগীরা নৎত্রগা শিবা ঙাইরিবরা
নঙ ঐ মা ঐখোয়না হিংলিবসে
কনাগীনো করি ৱাখলদনো
হিংদবা য়াদে হায়দুনা হিংদি হিংনরি
অদুইদি করিগী অনা অয়েক
অশোক অপন অৱাৎ অপা লৈত-লায়র
লৈহল্লিবা ঐখোয় মীওইবদা।
কল্লিঙৈদা মী অমুক কনবা লৈতেদো
নারক্লগদি মী অমুক শোনবসু লৈতেদো
শিবদি শিনিংদে থৱায়সে কনাগীসু
অদুবু হকচাংনা য়ারক্তবদা
করিদি উপাই লৈ থৱায় ঐগী।
’দুবু লৈরিঙৈ মীৎকুপ খরদং
পূন্না নঙ ঐ কৈদৌগে হে থৱায়
তান্নদুনা মতম খরদংগদি লৈমিন্নখিসিবা
নঙনা য়াদবা চিঞ্জাক ঐ খক চাররোই
নঙনা পামজদবা থবক ঐ তৌররোই
ঐনা নুংঙাইরবদি খঙই
থৱায় নঙসু নুংঙাই
নঙনা নুংঙাইরক্তবা থৱায় থানীংলকপদা
মল্লবা কান্নদ্রবা ঐগী হকচাং পোলাংসু
নতুং ইল্লক্কে হায়রক্কনি শোয়দনা
অদুবু পূম্নমকসি ফাথনরগা
নঙ ঐ হিংমিন্নখিসি
মতম খরদংগদি লৈমিন্নখিসি কৈদৌগে
হে থৱায় নঙ শাওখিনু
হে ৱাখল নঙ ফাথখোনে।

## হায়খ্ররোই ঐনদি

**—মেঘ কোলোম**

হায়খ্ররোই ঐনদি নঙতবু
থাগৎলোই কনাগুম মাতবু
শেন্বীবা তাইবঙ মপূবু।
শেন্বীবা নঙনদি পূম্ববু
উহনবী পাংহনবী মিৎসিবু
খুদিংমক অথিবা ফজববু;
খায়দোকপী অপিকপা অচৌববু
লৈহনবী অকনবা অশোনববু
ওইহল্লম অফব ফত্তববু;
পেঞ্জৱা তাজর উজরগা
নুংঙাইৱা পেন্থোক্লা থম্মোয়বু
ঙসিদি মালেমগী থকসিবু।

## লৈ

**—মাইস্নাম বীষেশ্বর**

কোলোয় মীংলেন মাংদ্রবী লৈ
নুজা নাপ্পদা চিল্লিবা লৈ
মৌগীশিংদা চিল্লিবা লৈ
লৈ লৈ শিংথানবী লৈ
অশেংবা সনাগী লৈ, অরুপ্পী অতাওবী লৈ
মীয়াম্না শিংথানরিবা লৈ নঙবুনিনে
মপূগী থৌরমদা কৎতবা য়াদবা লৈ
লুহোংলে লৈ দেব কর্ম্ম তৌরে লৈ
লৈ নঙ য়াওদ য়াদবা লৈনিনে
শকখঙ মায়খঙনবদা পীনবা খুদোল লৈ
নুজা নাপ্পদা রাশি লৈনা ঙানবী লৈ
পাৎয়াই ইয়াইদা হাইনা শাৎচবী লৈ
উগী পামেন ফৈরাদা ঙান্থোইবী লৈ
লৈ লৈ মগুণ লৈবী অথোইবী লৈ
ৱাকচীং উলেন খাংনা শাৎচবী লৈ
নোংজু থাগী নোংলেন ইরিক্তা শাৎচবী লৈ
ঋতুরাজ বসন্তদা শাৎচবী লৈ
হে মুৎনাইদ্রবী নুংশিবী লৈ
লৈ লৈ তাইবঙংপান মীওইবগী লৈ।

## খুন্নাইসিগী চৎনবী

**—কান্তা মৈরালাকপম**

অঙাংশিংসু ফুরুপকী য়ূম্বীনি
পাখঙ লৈশাবীসু
মাগী মাগী নুংশিনবা লৈরি।
ঐগী নুপীনা ঐগীনি
মীগী নুপীনা মীগীনি
লুখ্রাবীসু য়ূম অমুক পানবা য়াই
পাখ্রাসু নুপী অমুক থিবা য়াই
মসি খুন্নাইসিগী চৎনবীনি।
ঐগী ইচানা ঐগীনি
মীগী মচানা মীগীনি
তাইবঙগী চৎনবা কাঙলোননি।

# কাউবা ঙম্লরোই পুন্সিদা

### (নুংশিবা হায়বসি হূ নত্তে, অমৃতনি হায়রিবা শৈরাংবা অমা)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | কাউবা ঙম্লরোই পুন্সিদা |
| মখল | ঃ | ঈশৈ শৈরেং |
| অইবা | ঃ | মৈ ভগৎ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অসাম |
| মমল | ঃ | ২০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

**পুন্সিগা** নুংশিবগা কনানা হাল্লি হংবা তারবদি পাউখুম ফংবা লুগনি। য়েনবীগা য়েরুমগা কনানা হাল্লি হংবগা চপ মান্নগনি খল্লি। মরমদি পুন্সি অসিমক নুংশিবনা শেন্নকপনি হায়রিবনি। লেটিনগী মহাকবি Publius Virgilius Maro, শম্না Virgil নসু মাগী Aeneid কৌবা মহাকাব্য অদুদা ইদুনা থনম্লে মদুদি "Love is as old as life, and it has been walking for years in the corridor of time" মসিদগী হেন্দোক্তুনা মানদি অসিফাওবা হায়রম্মী, "For a man love is a thing a part, for a woman it is her very existence" মানা হায়রিবসি নুংশিবা হায়বসি নুপীনা নুপাদগী হেন্না লুনা লৌই অসিনি। মখোয়দদি হিংবা শিবগী ৱাফমনি। অদুবু খ্বাইদগী লুরিবসি ‘নুংশিবা’ কৌবা পোৎশকসি মপুং ফাদবনা হেন্না মমল য়াম্বা অসিনি। মপুং ফাবা নুংশিবদি লোইরবনি। ঈপাক্তা তিল্লবনি। মপুং ফাদবা নুংশিবদি ঈচেলনি, মৈচাক্লি, ঈখৌলাংবনি, মসিগী মমল লৈতে। পুন্সিগা ওন্নরফাও, থৱায়গা শিন্নরফাও পাম্মুদবা নুংশিবনি। অদুননি থুংনবনা পন্থুং ওইখ্রবা নুংশিবদগী কায়নবনা পন্থুং ওইবা নুংশিবনা মমল ৱাংলিবা, মৈশা ফাওরিবা। মৈশা ফাওবা মখোয়দগীনি ঙসি থোক্লক্লিবা সাহিত্যগী মচাক কয়া, ঈশৈ কয়া। কায়নবা লৈরমদ্রবা করম্না তাগনি ঐখোয়না নুংশি নুংশিরবা খোন্থাং কয়া।

অদুগুম্বা খোন্থাং অদুমক্লি ঙসি ঐখোয়না তারিবা মৈ ভগৎকী লকানুংদগী। মমা লমদম নুংশিবগী মাগী ওইবা ফংহৌদ্রবী মহাক অদুগী ঈখৌলাংবগী সুরনা নিল্লে মাগী লাইরিক অসিমা, ঈশৈ মযেক ৬১না শেল্লদুনা। মৈস্নাম ভগৎ অমুক নৌনা মশক তাক্লিংঙাই ওইদ্রবা মশাগী শৈরেং লাইরিক অনী পুথোক্তুনা খোরিরোলগী মনা-মথুম ফংলবা চীংলোন মাপলগী ৱাংমদা খুন্দারিবা ঈগী মরীনি, অইবনি। মাগী ‘তানিংদে বসন্তগী খোঞ্জেল’ (২০০৬) অমদি ‘ৱাথোক’ (২০১৪) কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অনীসিদা মানা মরমদম মণিপুর কয়াম নুংশিবগে, মসিগীদমক কয়াম মৈচাক ফাওবগে হায়বদু ঐখোয়না উখ্রে। মৈতৈ মচা পূম্বা ইরমদম মণিপুরবু নুংশিবা ঙাক্তনি। অদুবু মনুং অমসুং মপানগী মচাশিংনা নুংশিবসি চাং ওন্দুনা য়েংবা তারবদি মখোয়দা ফাওবা মৈচাক অমদি মনুংগী ঐখোয়দা ফাওরমগনি থাজদে। মখোয়দদি ইরমদমসি নুংশিবগী মথক্তা অমুক্তং ফংজরবদিকো খনবা থম্মোয় মৈচাক য়াওরি। মনুংদা লৈরিবা ঐখোয়দদি মদুগী মৈচাক অদুমদি ফাওদ্রে, ফংলবনিনা থোইনদুম মদুমদি খল্লুদ্রে। অদুনা মপানগী শৈরেং পারুরগা ফাওরকই ঐখোয়সু ইমা লমদমসিগী হেন্না নুংশিবা, হেন্না কল্লকপা।

হন্দক অমুক মৈ গভৎ ঈশৈ শৈরেংদা খূৎ থারক্লে। মসিদসু মাগী থম্মোয় মচু মাঙদ্রি। পূক্লিং ঈহুল হন্থদ্রি। নুংশিবা কৌবা ময়েক্লা মাগী কলমদগী চেন্থরকপা ৱাহৈশিং মচু শঙলি। ঈশৈ শৈরেং ৬১ মক পাবা য়াই। তেন্তক তেন্তক, ঈশৈগী ময়েকমক্লি। লাইশোন ঈশৈ খরা, লৈবাক নুংশিবগী খরা, মতমগী ঈশৈ খরনা শেমগৎলকপা মশক্লি। মসিদা অনী শকমিন্নবা, অৱাই-অখুমগী মশক য়াওদে। তাইবঙগী অফ-ফত্তা, খুন্নাইগী মশক তাকপা থোইনা উদে। তৌবতবু মাগী অথোৎপা, অমেঙবা, ৱাহৈনা শেল্লকপা, মাগী থম্মোয় লকাদা মৈগী চীংগুম পুরিবা মৈচাক খরদি অপাবা খুদিংনা পাবা ফংলগনি। পারুবদা খঙ্গগনি মৈ ভগৎ ঈশৈ ময়েক ইগদবা অইবা অমা ওইরে। ওইবদা নত্তে, মশাগী কেসেট অনী ফোঙখ্রবা অইবনি। মাগী ‘পাইনিংইদা পাইনিংই’ হায়রিবা কেসেট ওইনা পুথোকখ্রবা ময়েক অসিমকসু লাইরিক অসিদা পাবা ফংহল্লি। ষ্টেঞ্জা মরি য়াওরিবা ঈশৈ ময়েক অসিদা অইবনা নীংতম্ববু কয়াম লুনা লৌজবা হায়বদু খঙবা ঙম্মী। মানা হায়রি, তাইবঙ মালেমসে মৈহৌরে, পূক্লিং লৈতাদরে। অদুনা মীনোক মৈশা ৱাংমা লান্না মনীংতম্না পাইরিবা চেক্লাগী মতুং ইন্না পাইজনীংবদু ফোঙদোক্লি। মাগী ৱাহৈদা, “পাইনিংইদা পাইনিংই ঐসু/ চেক্লা নঙগুম অতিয়াদা/... মীনোক মৈশা ৱাংম লান/চিক্লা ঈংলবা লমদম অমদা।” (লা: ৬) মীনুংশিনা থল্লবা লমদম অমা ঈখৌলাংবগী শক্তমনি। অদুনা অইবনা তুংগী নহারোলবু কৌরি অনৌবা মালেম অমা শেম্নবা। মাগী ৱাহৈদা ‘নহারোল! তুংগী মীরোলগী য়ূম্বীরেল/লাউ চৎমিন্নসি অচুম্বা লম্বীদা/চৎখিবা তারবদি লান্না/ওইহৌরনি তাইবঙ মোংফমগী মশক।” (লা: ৩৩) অফবা মালেম অমা শেম্বা তারবদি অনৌবা লম্বী অমা শেম্বা তাই হায়বসি অইবগী চেৎনা থাজবা অমনি। অদুনা মানা লাউরি, “শেল্লসি অনৌবা য়াওনগী লম্বী/হাংদোক্লো মায়খুম হূরানবা, অরানবা/মীয়ামগী ঈহৌ, মালেমগী য়াইফবা/... ওইহল্লসি নীংতম্বা তাইবঙ অমা।” (লা: ৫০) শৈরেংবনা হায়রি, ঙসিগী তাইবঙ নীংতমদ্রি, অফা-অপুন্নবনা থন্না লৈরি। অদুনা ঐখোয়না লেপ্পা য়াদে হোৎনবা তাই অফবতা ওইনবা। অফবা ৱাখল্লোন্নি হায়নীংঙি।

মসি ফনা ওইদুনসু অইবনা মরমদম্বু খক কাউদে। য়েংঙু য়েংঙু খুদিংদা নীংবা কায়নীংঙাই ওইরি হায়বা মাসু খঙই। অদুনা চীংলোন মাপল লান্না পাইখ্রবা ঈগী মরী পূম্বা মানা কৌরি, অমুক্তা পূনশিন্নসি হায়না। মখোয়গীসু থৌদাং লৈ হায়বদু উৎপনি। অদুনা হায়, “হল্লকখো লাউ অমুক হন্না/মীরমদা চাক্তারিবা চেক্লাশা/ইশাগী শাগৈবু কলহৌসি/পাইরকখো নখোয় নরমদা।” (লা: ৫১) মপাম লমদম মৈহৌরে হায়বা মহাক খঙঙি। মমা লমদম্না কৌবা মহাক তায় অদুনা পাউদম্লি, “মীরম লমদা চোইজাইননা/লম্বী ফাংনা চৎখিবা/পারী মমোম কৌরক্লে/ইমাবু কল্লু হায়রক্লে।” (লা: ৪) মানা হায়রি কৌবসিদা কনাসু তাবীদ্রবসু মাগীদি চীংনুং, লোক - তাই, লান্না মমাবু কনবা চৎকনি হায়রি। অশেংবা মচা অমগী থৌনানি। মানা মরমদম্বু কয়াম নুংশিবগে হায়বদু কনানা খঙবীদ্রবসু মমা লমদম্না খাঙবা ঙমদ্রে।

দি খঙই হায়রি। মাগী ৱাহৈদা, “ঐনা কয়াদা নুংশিজবা/খঙলিনি ইরমদম ইমানা/শংলবা মহৌশা লৈকোলগা/ঐগী ৱাখলনা শান্নজবা।” (লা: ২০) অদুনা তাম্না লৈরসু মরমদম্বু কৌদুনা কপচৈ, “হো ইমা পোক্লফম লমদম/নঙগীদমক্লি হিংলিবা/নুংশাগী মৈশা খাঙদুনা/ৱাকচীংগী উল্লেন তুংওইনা/শুক্লবা উমং ফাওদুনা/পাক্লবা লাইজ লান্দুনা/ৱাংলা চীংজাউ নারক মোংশোঙ/কিরুদে ইমা কিরুদে।” (লা: ৩৬) অশেংবা লৈবাক নীংবা মচা অমগী খোন্থানি হায়নীংঙি। অদুনা মপান দা লৈবা মচা মানা মনুংদা লৈবা মচাশিংদা তূমদুনা লৈরুনু নখোয়সু, থৌনা ফবা মচাগী থৌদাং মশক উৎলমসি কৌরি। মাগী ৱাহৈদা, “মীতৈ মপারী মমোমশা খোল্লেন মীৎকপ থোক্লোনে/তাইবঙ লমজেল য়াওরুসি/... ইরমদমগী ফিরাল পায়/মালেম পূংদা য়ুংলমসি।” (লা: ৩) কয়াদা নুংশিবা মশক্লো।

অইবগী মশক অমনা মপূং ফাখিদ্রবা নুংশিবা অমগী চৈনা ফাওবা অসিনি। থুংনবগী, নুংঙাইবগী, শাবী শানৌগী ময়েক য়াওদে। কায়নবগী, চাক্লবগী খোঞ্জেলনা নিল্লিবা ময়েকশিংনি। নুপা অমুক শা, নুপী অমুক শা, অইবনা পকচনা ইরি কায়ন-শৈরোল কয়া। লোইনা থম্মোয় খোনবা ময়েকশিংদনি হায়নীংঙি। অমতং য়েংবা য়াই, “উদবা কুইরে চান্নবীদো/লাক্তে মঙলান্দসু নোংমতা/হো নোংমদোন্দা পাইরিবা লৈচিল/তল্লম্মু মপাউ অমতদি।” (লা: ৬১) লৈচিন মপাউ ফংদ্রবদা অমুকসু মতোমতা চাকচৈ, শোঞ্জে, “কপ্পগী মরমসু ওইরিবী/নোকপগী মহাওসু পীরিবী/নঙবু উদুনতা মরৈরে/য়েংলু য়েংলুবা খুদিংদা।” (লা: ৩৮) মসিদি হৌনশানি। অদুবু অইবা অসিদি নুংশিববু খক নিন্দা তৌদে। অহোইনদুম লমদম তামখ্রবী মাগী চান্নবীবু চেকশিন-ৱা পীজৈ অসুম্না, “নোংদোল থক্কী লৈচিনগুম্বী/নুজাগী পূক্লিং লেপ্তুবী/লমখাঙদা মাঙলবদি/য়েংবা ঙল্লোই পাখঙ ঐদি।” (লা: ৩০) মসিদি অশেংবা প্রেমিক অমগী মচৎনি হায়নীংঙি। অদুনা মাঙখ্রবা নুংশিববু মথঙগী মপোক অমগী অশাদা থল্লি। নোংদমথীবা মপোকসিদা থুংনদ্রবসু মপোক লাংওন অমদা নুংশি পন্থুং ওইরুসি হায়জরি।

ঈশৈগী কাঙলোন চুম্না হেক পারুবদা থুক লাউবা ঈশৈ অমতং হায়রবদি অইবগী ‘চৎলসিনে পূন্না ইবান্নি’ হায়বা অসিনি হায়নীংঙি। স্থায়ীগী অহানবা ষ্টেঞ্জাদা অসুম্না হৌরি, “চৎলসিনে পূন্না ইবানি/মীনা শকখঙদ্রবা মফমদা/লৈকায় মীৎয়েং চঙদ্রবা/খুন্নাই ৱায়েৎ লৈত্রবা।” পরেং মরি অসিদা ইমোসন অমা ফজনা ফোঙদোক্লি। মথঙগী অহানবা ‘অন্তরা’ দা অমুক হায়রি, “ৱারে ৱানা খাঙমিন্নরুসি/... নুংশিবা কৌবা ঈরোন্নুংদা/তিনখ্রসনু ঈচেলসি/থৌওইদ্রবা তাইবঙ কনানা/হিংহৌসনু মালেমদা নুংশিবা।” মসিদা থম্মোয় ঈহুলদু ফাজিন্দুনা ইন্টেলেক্টকী ৱা ফোঙদোক্লি। অরোইবা ‘অন্তরা’ দনা ৱারেপ লৌরি, রিজোলুসনগী তাক্কক্লি। অইবনা হায়রি, “নোংদমথীবা মপোকসিদা/পুন্সি পন্দোম লোল্লবসু/মপোক লাংওন অমদা/নুংশি পন্থুং ওইরুসি।” (লা: ২৮) ঈশৈ ময়েক অসিমদি পরীং চুম্না চৎলি হায়নীংঙি। অদুনা নুংশিববু নিন্দা খক তৌজদবা অইবা অসিনা পোলোয়দা হায়রি, “হায়নৈ নুংশিবসি হূনি। অদুবু থাজদে ঐদি/হায়নীংঙি ঐদি নুংশিববু/হূ নত্তে অমৃতনি।” (লা: ২৫) মসিনা মৈচাক খাঙবা ঙম্লবা প্রেমিক অমগী খোঞ্জেলনি। অফবা খোঙথাংনি হায়নীংঙি।

অদুগা তামখ্রবী নুজাদুনা কয়াম থম্মোয় কনখিবা ঐখোয় খঙনীংঙি। মতাংনা য়াদদুনা লাপখিবীনি, থম্মোয়দা হূ ফুমদুনা চৎখিবা নত্তে হায়বদু অইবনা শেংনা তাক্লকই। নুজা ওইবীদুনা থম্মোয় য়াকা ফোঙদোক্লক্লি অসুম্না, “কাউবসু ঙম্লোই নঙবু/মপোক চাম্মা পোক্লবসু/থৱায়না শকখিবা শৈসক/হোংলরোই ঐনা কৈদৌঙে।” (লা: ২৬) অসিদা নত্তে, মখা তানা অমুকসু হায়রি, “ঙসিসু ঙাইরি নঙতবু/য়েংজনীংবা মিৎস্না অনীনা/ফিজি পায়দুনা খামখিবা/ঐনা কয়াদা পেঞ্জখিবা।” (লা: ২৭) নীংশিংবনা পাঙ্গল ওই, খাঙলিবী অমগী মপাউনি। তাদবা ঙম্লোই কনাঅমতা হায়নীংঙি।

অইবগী লাইশোল ঈশৈ খরা য়াওরিবসিদা অনৌবা খোঞ্জেল অমা তাবা ফংলি। হায়জবা, নীজবা ঙাক্তনি ইনরিবা ঈশ্বরদা। অদুবু অইবনদি অসুম্না হায়রি, “ওইজবা থিরুগে লাকচবা নত্তে। মপূগী য়াথং পুদুনা লাকপনি। তাইবঙগী শিন্থা পাঙজবা ঙম্নবা/পীবিরো পুন্সি লম্বীদা।” (লা: ৪৪) পুন্সি মশক খঙনা ইরিবা অইবনা তাইবঙ পুন্সিবু অসুম্না শৈথারি।” মীথুংনি মালেমদা থৌদা লাকপনি/তাইবঙ কুম্মৈ লোইরগা হল্লনি/য়েংলিয়ে পেন্না তাইবঙ শেম্বনা/কাউগনু থৌদা লৌনম লাংদা থুদুনা।” (লা: ১৮) চুমখ্রবা ৱাবু ঈশৈ ওইনা ঢেল্লকপনি হায়নীংঙি।

লোইশিল্লকপদা শম্না হায়রবদা ভগৎকী ঈশৈ লাইরিক অসি মায় পাক্লবনি। লাইরিক্কী মশা নাঞ্জবা, চেকশিন্না পুথোকপা অসিমদি তোপ তোপ্পা ফজৈ হায়নীংঙি। তৌবতবু ঈশৈশিংসি কাখল নাইনা লাইশোল ঈশৈগী, লৈবাক নীংবগী, মতম ঈশৈগী হায়না কাঙলুপ কাঙলুপ মচা তানা থল্লক্তবগী পেনহৌদবা অমদি লৈরি। নুপা-নুপী শকমিন্নবা য়াবা ঈশৈসু হাপ্পল্লবদিকো খনবসু লৈরি। অদুম ওইনমক ভগৎপু মশক তাকহৌরদৌবা লাইরিক অমদি ওইরে।

# লাইফমলেন

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

**মুন্সি** ইন্দ্রমনি চাগাদি পংয়াম য়াম্বা নত্তে, অদুবু চাদিংদি য়ামখ্রে। মাগী মচাগী য়োকচবী থম্বগী পাঙ্গল লৈবদি নত্তে অদুবু মচাগী শেন্নবা, পীজ-পীথক তৌবা অমদি মমান-মমান্নবশিংগী মমাঙদা চাং তাদনবগীদমক মানা য়োকচবী অমদি থল্লি। মচানুপাগা মাগী য়োকচবীদুগা ওন্থোক্লা চান্নখ্রে, মতম চুপ্পদা থাদোক্লদে। মরমসিনা য়োকচবী থম্বসি য়াম্না তঙাইফদে, অহলসি মফমসিদা থবক তৌরকপসি চহী অহুম ফারক্লে, মানা নুপামচাসিবু য়াম্না লুনা তৌই। মা থবক্তা য়াম্না থৱায় য়াওই, লোয়ননা য়াম্নসু হৈ শিংই। মাবু তান্থোক্লবা মরম অমত্তা লৈতে, লোয়ননা ইন্দ্রমনিসু কান্নদবা থবক তৌনীংদে অদুবু মাগী নুপী সুখদাদি হিরম অসিদা মাগী নুপাগা মত শুকমান মান্নদে। মাগী ৱাখলদা য়োকচবীসিনা মখোয়বু নমথাক তৌরে হায়না খন্দুনতা লৈ। য়োকচবীনা কৈথেলদগী হল্লকপদা মানা দলানগী মরুমদা লেপ্তুনা মাগী ফিজি-ফিনাদা করি লোৎলিবা হায়দুনা য়েংদুনা লৈ। মানা পুরকপা পোৎশিংদু কুইনা-কুইনা য়েংই, য়াম্না কুপ্না হংই। অসিখক্তা, অসুক য়ামদ্রিবসি করিগীনো হায়না হন্না-হন্না হংই, কয়া পী, অসুক য়াম্না তাঙখ্রবরা? অদুবু য়োকচবীনা মাগী মরৌ লৈবা ৱাহংশিংদুগী পাউখুম য়াম্না নোল্লুক্লা পী। অদুবু মানা হংদ হংজিল্লক্লবদি মাসু মতিক চানা পাউখুম পী, ৱাশক্তুনা হায়। অসুম্না অৱায়-অখুমদা মতম মাঙহল্লি অদুবু অরোয়বদদি য়োকচবীনা কপ্পগা লোইশিল্লি। মসি নোংমত্তগী ৱা নত্তে, নুমিৎ খুদিংগীনি, অসুক য়াম্না ওৎলবা ফাওবদা মা নিংহন্নদ্রিবসিদনি সুখদানা অমুক্কা হেন্না চিংনরিবসু। হনুবীসিনা অঙাংসিবু নুংশিবদগী লৈরিবনি হায়বসি সুখদানা থাজদে, হনুবীসিগা অঙাংগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরীসি মা নিংথিনা খঙদে।

তাঞ্জা চান্নরুবা হায়বদুনি নোংমদি য়োকচবীদু কৈথেলদগী হল্লকপদা খরা কুইনা চঙলে। কৈথেলদা পোৎ য়োনবা অনী য়াম্না কন্না খৎনবজাৎনি, মাদি মখোয়গী মওং মতৌদুদা নুংঙাইমনখ্রদুনা য়েংদুনা লৈথোক্লবজাৎনি। মখোয়না ঙাঙনরিবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, মখূৎ মশা হায়রিবা পূম্নমক য়েংবা নুংঙাইরদুনা মী ময়াম অমসু য়েংনবদুদা য়েংদুনা লৈথোক্লজাৎনি। নুংঙাইমনখ্রদুনা হনগনি হায়বা কাউবমখৈ লৈরে, খঙহৌদনা মাগী নাকোংদা পুং মাপন তাবগী কাংশি মখোল তাবদা খংপ্রেক-খংনা য়ূমলোমদা চেনচৎ চৎতুনা লাকই। সুখদা ঙাইদুনা লৈরম্মী, পিসুম শুক্লদুনা হংলকই - কৈথেলদা মাঙলুরবরা?

য়োকচবীনা য়াম্না নোল্লুক্লা খুল্লকই- খঙন-চান্নবা অমা থেংনদুনা ৱারী খরা শাদুনা লৈরুরে।

‘পাউখুমদু তাবদা সুখদাদু অমুক্কা হেন্না শাওরে- শোয়মদনা ওফিস কাবা থেংলে অদুগা নঙনা নুংঙাইথোক্তুনা লৈরিবা।’ য়োকচবীনা তুমিন্না লৈবনা ফরে খল্লদুনা অঙাংদুবু পমখৎকে তৌই।

মদুদা সুখদানা শাওনা হায়রকই - পায়রুনু, নঙ য়াওদ্রবদি মা শিদৌবা নত্তে।

য়োকচবীনা মানা হায়রিবদু ইনবা দরকার ওইদে খল্লি। সুখদাগী অশাওবদু কোকহন্নবা উপায় থিরি। মানা রুদ্রমনিবু ইঙ্গিৎ তৌদুনা কৌরে। অঙাংদুনা মখোঙদু ফৈরেং-তুরেং থাংলদুনা মখূৎ অনীদু তিংথোক্লদুনা য়োকচবীগী মনাক তম্না লাকই, য়োকচবীনা মাবু পমখৎলে অদুগা থোঙলোমদা লাকই অদুবু উমাইবীনা ঙা লাকপগুম সুখদানা মাগী মখূত্তগী রুদ্রবু মুল্লে অদুগা হায়রকই - নঙগী চাওখৎতবসি ঐ সুম য়েংদুনা লাকপনি। মফমসিদদি মদু য়াররোই, কদায়দনো অমা চৎলগা তৌরুরো।

য়োকচবীদি রুদ্রদা মথৱায় লুপচরীবনি, মসি সুখদানা খঙই। মখোয় অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীসি অসুক্কী মতিক চেৎখ্রে, মরমসিমক্কনি মানা সুখদাগী অথিবা মীতৈ তারবসু মাবু তান্থোক্কনি হায়বসি থাজরুদ্রিবসি। অদুবু সুখদানা ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ অমদি অঙাংদুবু নুংশি হৈতনা মুনখিবদু মা খাঙবা ঙমদ্রে।

হায়রকই - মমৌ ইবেম্মা, ঐ য়াম্না থেংবসু নত্তে। মসিদা নহাক্লা অসুক য়াম্না শাওরিদুবু করিনো। অতোপ্পা মফম অমা য়েংলুরো হায়না ইশেং-শেংনা হায়বীবা য়াদ্রা, তাইবঙ মপূনা শেন্বীবনি, পুক্তি অদুম থনবা ঙমগনি, থবক্কী ৱাদি করিসু ৱাৎতে।

সুখদানা হায়রকই - অদুদি সিদা করিগী লৈরিবা নঙগুম্বা মীনাইনুবীদি লম্বী সড়ক্তা কোয়তা তাদুনা লৈ।

য়োকচবীনা হায়রকই - মপূ মানা নহাকপু থৌজালবীবা ওইসনু, মীনাই অমদি য়োকচবী য়াম্না ফংগনি, ঐনা লানখিবা পূম্বা ঙাকপীয়ু, ঐ চৎলে।

সুখদা - ঐগী নুপাগী মনাক্তা চঙলগা হিসাব শেংদোক্লখো।

য়োকচবী - মদুনা রুদ্র বাবুগী অচা-অথক লৈবীয়ু।

তাঞ্জাদুদা ইন্দ্রমনি থোরকই, হংলকই - করি তৌরে?

য়োকচবী - করিসু তৌদে, মমৌ ইবেম্মনা তাল্লে, ঐ য়ূম চৎলে।

ইন্দ্রমনিদি ইমুং-মনুংগী অসিগুম্বা ৱাশিংদগী থৈদোক্তুনা লৈবা মীনি, শাওনা হায়রকই - করি হায়নরে?

সুখদানা হায়রকই - করি নত্তে। মাগী অপাম্বনি। পামদ্রদি থমদবা তারে, মা নৎত্রদি য়াদে হায়বা ৱা লৈতে।

ইন্দ্রমনিনা শাওরপনা হায়রকই - নঙনা অফবা অমত্তা খনবা ঙমদে।

সুখদানা চোঙশিন্দুনা হায়রকই - হোয়, হোয়, ঐদি ফত্তবীনি। নঙনা য়াম্না নুংশিরগনা অদুম থমলো, ঐনা হায়বদি কনানা তাবীনি।

য়োকচবীদু মমিৎতা ইরা চেল্লদুনা চৎনীংদ-চৎনীংদ য়ূমদগী থোকখ্রে। থম্মোয়দদি রুদ্রমনিবু অমুক্তং অরোইবা ওইনা পমজনীংলম্মী অদুবু মাগী অপাম্বদু থম্মোয়নুংদা অদুম পুদুনা থোরক্লে।

রুদ্রমনি য়োকচবীগী মতুং ইন্নদুনা থোঙ্গাল ফাওবা লাকই অদুবু য়োকচবীনা থোঙদু মপান্দগী হেক থিংজিনবদগীদি লৈমায়দা থরো-থরো ওন্দুনা ‘ইমাবোক-ইমাবোক’ কৌদুনা কপ্তুনা লৈরে। সুখদানা মচাবু পমখৎপীদুনা চুপ্পীরে, নানবীরে অচাপোৎ পীগে, শান্নপোৎ লৈবীগে হায়দুনা থেল্লে অদুবু য়াবা কৌবা লৈতরে। অমুক কিহন্দুনা শগোল লাকএ, ভুট লাকএ হায়না লকনৈ অদুবু অমুক্কা হেন্না শাথিরকই, শাওবা হেনগৎলকই। সুখদাদু তৌফম খঙদ্রদুনা অঙাংদু মফমদুদা থনম্লগা ইমুংগী থবক তৌবা হৌখ্রে। কপমনবদগী রুদ্রগী মমায়দু ঙাংশং ঙাংলে, মমিৎতু পুমপোম পোল্লে। হিক্লা-হিক্লা কপ্লদুনা লৈমায়দা অদুম তূমখরে। সুখদানা খল্লুবনা অঙাংনিনা ঙাইহাক কপ্পল্লগা অদুম ফজখিনি অসিনি। অদুবু রুদ্রদি অমুক হৌগৎলক্লগা ‘ইমাবোক-ইমাবোক’ হায়দুনা থিবা হৌরক্লে। পুং অহুম তাবদা ইন্দ্রমনিনা ওফিসতগী হল্লকপদা মচাগী ফীভম উবদা মাগী নুপীদা শাওনা য়েংলকই, মানা মচাবু পমখৎলগা থেম্বা হৌরকই। য়োকচবীদু অচাপোৎ লৈবা চৎখি হায়বদগী তুমিন্না লৈখ্রে। অদুবু নুমিদাংৱাইম ওইরকপদদি অমুক লাউবা হৌরক্লে - ইমাবোক অচাপোৎ। নুমিৎ হুমনি হৌখ্রে, রুদ্রদি ‘ইমাবোক-ইমাবোক’ হায়না কৌবা অমদি কপ্পতনা মশিঞ্জাং ওইরে। মাগী শান্নপোৎ হুই, হৌদোং, উচেকশিংদু ঙাইহাক্তা ফাওবা থাদোক্তবনি অদুবু মা মদুদা মিৎচিনা ফাওবা য়েংদ্রে।

-মথং-মথং

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**

**—লৈমপোকপম বেদান্তী**